থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# নুপীদি পাম্মী য়ুম্নাক্তি পামদে হায়বা য়াবরা ?



ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ১৭ শুবা লোক সভা মীখল পাঙথোক্নবা নোটিস থোকখিঙৈদগীদি মীরেপ ওইনিংবা পোলিটিসিয়নশিং অমদি নৌনা পোলিটিসিয়ন ওইরক্কদবশিংগী ময়ুমদা খোইরেন মশা পাইবগা পান্দম্নদুনা হায়নবা মী য়ৌ-য়ৌ তিনবদু হৌরক্লগনি। করম করম্বা পোলিটিকেল পার্টিগী মীরেপ কনা থাদোক্কদগে হায়বদু হৌজিমক্কী ওইনা হায়বা খিত্তং ঙনমল্লবসু, মণিপুর পিপলস পার্টি অমদি কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগী ওইনদি হান্নৰা লাউথোকখ্রবনি - ও জুগিন্দ্রো অমদি ডাক্তর নরা। এম পি পি মরক্তা মচেৎ তানবগী পাউ অমা মরক্তা তাখিবদুনা করি চয়েৎনবা লাক্কদগে হায়বদুমদি হৌজিকমক্কী ওইনা খঙবা ঙমদবনা মীয়ামগী ৱাখলদদি জুগিন্দ্রোবু এম পি পিগী মীরেপ ওইনা থোক্লক্কনি পানরি। ইন্দিপেন্দেন্তা মীরেপ অমা ওইনা ফিল্ম এক্টর কাইকু (আর কে সোমেন্দ্রো)গী মিং-পোষ্টর উরে। মশিং থাবা য়ারে। মরিশুবদা, হান্না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্লবা রাধাবিনোদ কোইজম, বি জে পিগী মীরেপ ওইনা টিকেৎ তান্নরিবা মীশক অমা ওইনা, ফংদ্রবসু লেপ্লগনি হায়বগী মওংনি, অচৌবা পোষ্টর কেম্পেইন হৌখ্রে। ই সী আইগী নোটিস থোক্লক্ত্রিঙৈদগী পোষ্টর কেম্পেইন হৌখ্রবা, অতোপ্পা ইন্টেনিদং কেন্দিদেট অমগা লৈ। মহাক্তুদি, মণিপুরগী (মীতৈশিংগী মরক্তা) অনীশুবদা দাইরেক্ট আই এ এস রিক্রুইট, হৌজিক্তি থবক্তগী পোথারবা, হান্নগী চীফ সেক্রেটরি ওইনাম নবকিশ্বরনি।

মখোয় মঙা অসি নত্তবা অতোপ্পা অনী অমসু সুপশোয় শোয়দনা থোক্লকখিগনি। ইনিদয়ন নেসনল কোংগ্রেসগী অমগা ভারতিয়া জনতা পার্টিগী মীরেপ অমগা। মীরেপ অনীদুগী মিং লাউথোক্লবা মতুংদা, টিকেৎ ফংহৌদ্রবা, শোয়দনা মীরেপ ওইনিংবা খরসু পার্টি থাদোক্লগা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইরকপসু য়াই। চয়োল অমগী মতুং, নোমিনেসন ফাইল তৌবা হৌনরকপদদি খঙলগনি - ঐখোয়গী এম পি ওইরকপা য়াবশিংদু কনা কনানো ? মমিংশিংদু লাউথোক্ত্র'সু মীনা হৌজিক ঙাঙনবা ৱা অমদি লৈ ... 'অতৈশিংনা লেপ্লিবসিদি মীনা লেপ্নে হায়বগী লেপ্পনি, ফুন্দীত্তা মাঙজোং চোংবনি, কাগদবা মীরেপ্তুদি কোংগ্রেস নৎত্রগা বি জে পিগী মীরেপ অদুনি'...।

মীরেপ অদু কনানো? মীয়ামসিগী মীহুৎ ওইনা দিল্লিদা চৎপদা মতিক চারবা মীশক্লা? পার্লিয়ামেন্টতা ফমদুনা উইরগা লৈগদবা মখলদুরা? ৱা ঙাঙলুই হায়বদু থোক্লবা জিরো আৱারদা পোইন্ট অমা থাঙ্গৎলুরে হায়দুনা পি টি আইদা পাউ মচা অমা থাদোক্লগা, পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাঙলুরে হায়দুনা চাউথোকচগদবা মীদুরা? নৎত্রগনা, চহী মঙা/তরা দিল্লিগী এম পি ক্বার্টর'দা ফম্লগা, ঘোস্ত রাইটর নেক্তুনা বাইওগ্রাফিকল এক্কাউন্তা নৎত্রগা ইপিক ষ্টোরি খনগৎলগা ক্রিয়েটিভ রাইটরনি হায়নবা লাইরিক ইদুনা লৈগদবদুরা? অমদি শোয়দনা ওইরনি। মীয়াম্না খন্নে - বি জে পি নৎত্রগা কোংগ্রেস, অনীমক্লা পুথোরক্কদবা মীরেপ অনীগী মরক্তা অমনা শোয়দনা কাখিগনি। ইলেক্সন অমদা মায় পাক্ন বা মচাক মরলদুদি অনীসিদা লৈবনা। অদুবু, হৌজিক ওইরিবা নেসনল অমদি ষ্টেটকী পোলিটিকেল সিনারিও অসি য়েংলুরগদি, অনীমক্লা পুথোরক্কদৌরিবা (টিকেৎ পীরক্কদৌরিবা) কেন্দিদেট অদুদি মীয়াম্না পাম্বা মীশক অদুদি সুপওই ওইররোই। কোংগ্রেস পার্টি মথন্তনা লৈঙাক শেম্বা ঙমগদবা থাক অদু য়ৌনা সিট মশিং ফংগদবদি মরৈত্রে। বি জে পি অমদি চুমশিন্নবা কাঙবুনা লৈঙাক অমুক পায়রকপগী লক্কি-চান্স অমবুদি লৈ হায়ববু, মণিপুর য়াওন অৱাং-নোংপোক ভারত'তগী পার্টি অসিনা মণিপুরগী সিট অনীমক্তা মায় পাক্কনি হায়বদুদি থাজবগী ৱাংমদনি। মথক্তা পঞ্জখিবা ওইরকপা য়াবা প্রোবেবল কেন্দিদেটশিংগী মথক্তা অমত্তুংগা মশিং হেন্না পাবা য়াই - নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টিগী মীরেপ। এন পি পি, এল জে পি অমদি এ আই টি সী - অহুমসিগী মীরেপতি থোক্লক্কনি থাজদ্রে।

এম পি ইলেক্সন অমদি এম এল এ ইলেক্সনগী খেন্নবা, মীচমদগী মীশিংফাও' হৌজিক্তি কাবক কাবক খঙনরবা কৌবনা (ভোট মচাসিদদি শেল ফংদে খঙনবা/খন্নবনা, অফবা মীরেপ'তা ভোট থাদনিংবগী ৱাখল অমদি লাক্লবনি মীয়াম্না। খুদম ওইনা, দাক্তর মোইরাংথেম নরা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগী, এম পি ওইবদা নোপ্তবা, মীয়াম্না য়াদবসু তৌদবা, রাজনিটিৱালা অমা ওইনা অমকপা রেকোর্দসু লৈতবা, মানা থাজবা পোলিটিকেল পার্টি অদুদগী অমদা চোংথোক চোংশিন কৈদৌঙৈদা তৌদবা মীরেপ অমনি। মহাক্কী লেঙদবা ভোটর-বেজ অমা লৈ হায়বসু হৌখিবা ইলেক্সনশিংদা মহাক্লা ফংখিবা ভোট মশিং অদুনা তাকপনি। মঙোন্দা ভোট পীদবা, অতোপ্পা মীরেপশিংদা ভোট পীবা মীওইশিংনা হায়নবা তাই ... 'নর মশাদি ফবনি, মতিক চাবা মীরেপ অমসু ওইবনি, মানা ভোট কাদ্রিবসি মানা য়াওরিবা পার্টিদুনা মরম ওইরগনি' ...। ৱাহৈ অসি তাবদা ঐগী মরুপ অমনা হায় ... 'তাবা য়াদবা ৱাথিনি ... নুপীদু মশকসু ফজৈ, মরলসু লৈ, মগুনসু লৈ ... অদুবু মাগী য়ুম্নাক অসি পামদেনে - হায়বা ৱা অসিবু তাবা য়াবরা'? য়ুম্নাক অদু য়েক থোক্লবসু নত্তবা, মীফত্তা, মীহাৎপা ময়াম পোকখিবা শাগৈ অমসু ওইখিদবা! মীখল নকশিল্লকপা খুদিংগী হান্না মীহুৎ ওইখিবা মহাক্লা শেঞ্জা থুমজা তৌবগী, মরল মথুম লেপশিনখিবগী ৱারীনা ৱাই চাইগনি। ভোট পীবা মতমদনা, মহাক্লা ফত্তে হায়জরিবা মঙোন্দা হোৎচীন হোৎচীন পীরুনি। ঐগা নক্লা লোয়নজবা, মীখল অমুক্তা মায়থিখিদবা, হৌজিক্তি ভোট লেপখিদ্রবা অমনা হায় ... 'ভোট কাবা হায়বসি মীয়াম্না থাদবা ভোট'তুখক্লা কাগদবা নত্তে, হায়দোকপা য়াদবা ময়াম অমা লৈরি, রুল্লিং পার্টিগী মীরেপ্লা কাবগী চান্স নকই হায়রিবগী মরম খঙ্ঙু, শেল লৈবখক্লসু য়াদে, ভোট হৈবা, হায়বা অমা লৈ'...।

লৌশিং পুক্কে

# ল্যুকেমিয়াঃ
# খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা ব্লদ কেন্সর




ব্লদ সেলশিংদা কেন্সর নাবগী থৌওংবু ল্যুকেমিয়া হায়না খঙনৈ। ব্লদ সেল মখল কয়ামরুম লৈ। মখোয়গী মনুংদা রেদ ব্লদ সেল (আর বি সি), হ্বাইট ব্লদ সেল (দব্লিউ বি সি) অমসুং প্লেটিলেটনি ল্যুকেমিয়া হায়বসি দব্লিউ বি সিদা কেন্সর নাববুনি।

ল্যুকেমিয়ানা মরু ওইনা শোকহল্লিবা দব্লিউ বি সি মখল অনী অদুদি গ্রেন্যুলোসাইট অমসুং লিম্ফোসাইটনি।

হ্বাইট ব্লদ সেলশিং অসি হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টমদা য়াওবা য়াম্না মরু ওইবা শরুক অমনি। মখোয়না হকচাংদা চঙলকপা বেক্টেরিয়া, ভাইরস অমদি ফঞ্জাই পুম্নমক ঙাকথোকই। মওং-মরিল নাইদবা এবনোমেল সেল অমদি অতৈ মপান্দগী চঙলকপা পোৎলম খুদিংমকপুসু দব্লিউ বি সিনা ঙাকথোকই।

ল্যুকেমিয়ানা নারবা মীওইশিংদদি দব্লিউ বি সিশিং শক্লোন ওল্লকই। অসিগুম্বা শক্লোন ওল্লবা দব্লিউ বি সিশিং অতেনবা মতমগী মনুংদা মশীং খংহেন হেনগৎলক্তুনা মশা-মউফবা নোর্মেল সেলশিংদগী মশীং হেনগৎলকই। অয়াম্বা মতমদা শক্লোন ওল্লবা দব্লিউ বি সিশিংনা মশাগী তৌফম থোকপা মথৌ তৌরক্তে।



ব্লদ সেলশিং বোন মেরোদা শুংলকপনি। দব্লিউ বি সিশিংনা বোন মেরোদগী থোকখ্রগা লিম্ফ নোদ অমদি স্লপীনদা লৈখি। মখোয়না ঈগী ঈচেল অমদি লিম্ফেটিক সিষ্টমদসু তিনখি।

ল্যুকেমিয়া হৌরকপা মতমদা ইখঙ-খঙহৌদনা হৌরকপা (এক্যুট) য়াওই নৎত্রগনা তপ্না-তপ্না মতম চঙনা হৌরকপা (ক্রোনিক) য়াওই। ক্রোনিক ল্যুকেমিয়াদা কেন্সর সেলশিং তপ্না-তপ্না মশিং হেনগৎলকই। অহানবা হৌগৎলকপদা অদুক হাক্লা কনবা লাইওং উৎথোরক্তবা য়াই।

এক্যুট ল্যুকেমিয়াদি য়াম্না অতেনবা মতমগী মনুংদা ইখঙ-খঙহৌদনা হৌরকই। য়াম্না থুনা কেন্সর সেলশিংগী মশিং হেনগৎলকপগা লোয়নন লাইওংসু য়াম্না ঙন্না উৎথোরকই।

লায়না অসিগী মরু ওইবা লাইওংশিংগী মনুংদা কা-হেন্না হুমাং থোকপা (মরু ওইনা নুমিদাংদা) হকচাং ইশোন-শোনথবগা লোয়নন য়াম্না থুনা ৱাগনবা, হকচাংগী অরুম্বা হন্থরকপা, শরুদা নাবা, লিম্ফ নোদশিং (মরু ওইনা শেগ্রাক অমদি ঙকশমদা) চাউথোরকপা, লিভর নৎত্রগা স্পলীন চাউথোরকপা, উনশাদা ঙাংশঙ-ঙাঙবা দাকফম ময়াম লৈরকপা, লাইহৌ হৌরকপা, কোক চীকপা, ওনিংবা অমসুং ওবা, ৱাখল থোক্তবা অমসুং মশলগী মথৌ হনথরকপা অসিনচিংবনি।

লায়না অসিনা লংস, গ্যেষ্ট্রোইন্টেষ্টিনেল ট্রেক্ট, হার্ট, কিদনি অমদি টেষ্টিস তসু শোকহল্লকপা য়াওই। কনাগুম্বা মীওই অমা ক্যুতাইফৎ তাবগা লোয়নন শরু শোন্থরকপা, লিম্ফ নোদ চাউথোকপা, নৎত্রগনা লিভর অমদি স্পলীন চাউথোকপা থেংনরবদি ল্যুকেমিয়া নারম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈবা মরম্না মখা তাবা টেষ্টশিং তৌগদবনি।

কমপ্লিট ব্লদ কাওন্ট তৌদুনা ঈদা য়াওবা আর বি সি, দব্লিউ বি সি অমদি প্লেটিলেটকী মশিং থীবা য়াই। বোন মেরো নৎত্রগা লিম্ফ নোদতগী টিস্যু বাইওপসি লৌদুনা ল্যুকেমিয়া খঙদোক্ন বা হোৎনবসু য়াই। মসি নত্তবা অতৈ অতোপ্পা টেষ্ট মখল কয়ামরুম লৈরি। ল্যুকেমিয়া লায়েংবগী থৌদাং অসি হীমাটোলোজিষ্ট ওনকোলোজিষ্ট অমনা লৌই। কেন্সরগী মখল অমদি ষ্টেজগী মতুং ইন্না লায়েং-পাথাপসু খেন্নে। অদুম ওইনমক কেমোথেরাপি, রেদিএশন থেরাপি অমদি ষ্টেম সেল ট্রান্সপ্লান্টেসনগী মতেংনা লায়না অসি লায়েংই। ল্যুকেমিয়া ওইহল্লকপগী মরু ওইবা মরম চপ চানা খঙবা ঙমদবা তারবসু লায়না অসিদগী ঙাকথোক্ন বগীদমক মাঙজৌননা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিংদি বেঞ্জিন অমসুং রেদিএশনদা কা হেন্না এক্সপোজ তৌদবা, মৈখু শীজিন্নবা তোকপা অমসুং চাং-নাইনা হকচাং শাজেল তৌবগা লোয়নন ভিটামিন সি অমদি ঈ নচিংবা এন্টিওক্সি দেন্টশিং মরাং কায়না য়াওবা চিঞ্জাকচাবনি।

# মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনন মোরেদা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমদি মোবাইল হিয়রিং পাঙথোক্লুগদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস): লম্ফেলপাৎ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈরিবা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী) গী এক্টিং চ্যেরপার্সন খাইদেম মনি (সিনিয়র এদভোকেট) না কম্মিসন অসিগী ওফিসলশিংগা লোয়নন তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী বোর্দর টাউন অমসু ওইরিবা মোরেদা হয়েংদগী হৌরদুনা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমদি মোবাইল হিয়রিংনচিংবা কম্মিসনগী প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্লুগদৌরি।

হয়েংদগী হৌরদুনা থা অসিগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদবা প্রোগ্রামশিংগী মনুংদা হয়েং নুংথিল পুং ২ তারকপদগী মফম অদুগী চর্চতা হ্যুমেন রাইটসকা মরী লৈনবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্কনি। মসিদা কম্মিসনগী চ্যেরপার্সন অমসুং হ্যুমেন রাইটস লোয়রশিংনা শরুক য়াগনি হায়রি।

মথংগী নুমীৎ থা অসিগী ১৪ দা কম্মিসনন নোংমগী ওইবা হুমেন রাইটসকা মরী লৈনবা মোবাইল হিয়রিংগী প্রোগ্রাম অমা হোটেল ইলোরাদা পাঙথোক্কনি। অয়ুক পুং ১০ দগী হৌগদবা মোবাইল হিয়রিং অসিদা কম্মিসনন হ্যুমেন রাইটসকা মরী লৈনবা কেসশিং, রাইট টু হেল্‌থ, রাইট টু সেফ দ্রিঙ্কিং ৱাটর, রাইট টু এদ্যুকেসন অমসুং রাইট টু ফুদনচিংবগী মতাংদা হিয়রিং পাঙথোক্কনি হায়রি।

থা অসিগী ১৫ দা কম্মিসনন মোরে হোস্পিটাল অমসুং পুলিস ওফিসলশিংগা লোয়নন মীফম অমসু পাঙথোক্কনি হায়রি। মীফম অসিদা কম্মিসনগী এক্টিং চ্যেরপার্সন অমদি মসিগী ওফিসলশিংনা হোস্পিটাল ওথোরিটি অমসুং পুলিস ওফিসলশিংগা লোয়নন হ্যুমেন রাইটস ইস্যুশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি। লোয়নন হ্যুমেন রাইটস ইস্যুশিং অমদি মসিগী থবকশিংগা মরী লৈনবা মীওইশিংগী প্রোটেক্সন অমসুং প্রমোসনগী মতাংদসু খন্নগনি হায়রি।

# মীওই তরুক দব্লিয়ু ৱাই টেৱ্লেট ৯৮০০ গা কোন্নন ফারে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি কে ঐচইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল অমদি লিলোং পুলিসকী অপুনবা টিম অমনা ঙরাং নুমিদাং পুং ১১ রোম তাবদা লোক সভাগী ইলেক্সনগী মাঙওইননা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা দ্রাইভ চথবদা মীওইশিং অদু ফাবনি।

পোৎকা কোন্নন ফারবা মীওই ৬ অদুদি পাওবিতেক মমাঙ লৈকাইদগী এম দি ফিরোশ খান (২৩) অপোপা এম দি ফাজুরুদ্দিন, লৈকাই অসিমক্তগী এম দি অখান অহমদ (৩০) অপোকপা এম দি তোম্বা, এম দি অনিশ খান (২৪) অপোকপা এম দি অয়ুব, লিলোং তাইরেন মখোংদগী এম দি নৱাজ খান (২২) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি অবদুর রাহিম অমদি নোংমৈবুং চাকপম লৈকাইদগী রাধাকিশ্বর ৱাহেংবম (৩৬) অপোকপা দব্লিয়ু ভাসকরনি। মখোয়না দব্লিয়ু ৱাই টেৱ্লেট ৯৮০০ অলটো কার (এম এন ০৬ এল এ ৭১৩২) হোন্দা দাইও (এম এন ০ ১ এ ঈ/৬৪৪৭)দা পুরম্বনি। মখোয়গা লাকমিন্নবা লুকের মনিং লৈকাইদগী লাইশ্রম সঞ্জোয় মফম অদু থাদোক্তুনা চেনখ্রেহায়রি।

# দি ঈ ও সেনাপতিনা মীখলগী চৎন-পথাপশিং খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস): ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ১৭ শুবা লোক সভা মীখল ২০১৯ গী সেদ্যুল লাউথোক্তুনা খুদক্তা মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনহনখিবগা লোয়নন দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর সোমোরজিৎ সলাম, আই এ এস, দি সী সেনাপতিনা ঙসি পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎশিং অমসুং তোঙান তোঙাবা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিংগী মরী লৈনবা ফঙ্কসন্নরিশিংদা পাউমীশিংগী মমাঙদা লাক্লিবা মীখল অসিগা মরী লৈননা ব্রিফ তৌখ্রে।

লাক্লিবা মীখল অসিদা তৌগদবা অমদি তৌরোইদবশিংগী মরমদা খঙহল্লদুনা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরনা হায়খি, মথং থা এপ্রিল ১১ দা পাঙথোক্লবা মতম লেপখ্রবা আউটর মণিপুর সিটকী মীখল নীংথিনা অমসুং চুম্না পাঙথোকপা য়ানবগীদমক্তা শেম শাবগী থবকশিং হৌজিক কন্না পায়খৎলি।

মমাঙদা সিষ্টেমেন্টিক ভোটরস এদ্যুকেসন এন্দ ইলেক্ত্রোরেল পার্টিসিপেসন (এস ভি ঈ ঈ পি)গা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা থাকশিংগী ওইনা মফম কয়াদা এৱ্যেরনেস পাঙথোকখ্রে।

মখা তারকপা ওইনা এস ভি ঈ ঈ পিগা মরী লৈনবা প্রোগ্রাম অমসু শগোলশেল নুমিত্তা সেনাপতিগী মিনি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লবা শীন লাংলি। ভোটর লিষ্টতা মিং য়াওহৌদবা ইলেক্তোরেটশিংগী মতাংদা দি ঈ ওনা মখানা তানা মখোয় লোইনমক নোমিনেসনগী ফাইলিংগী অরোইবা নুমিৎ ওইরিবা মার্চ ১৫ গী মাঙওইননা ওফিসতা মিং চননবসু আপিল তৌখি।

নোমিনেসনগী স্ক্রুটিনিনা মার্চ ২৬ তা পাঙথোক্কনি, মীরেপ চে লৌথোকগী অরোইবনা মার্চ ২৮ ওইগনি অমসুং আউটর মণিপুর সিটকী মীখলগী ভোট থাদবনা মথং এপ্রিল ১১ দা পাঙথোক্লগনি হায়না দি ঈ ওনা ফোঙদোকখি।

লৈবাক পুম্বগী সিট পুম্নমক্কী ভোট মশিং থিবনা মে ২৩ দা পাঙথোক্কনি। লাক্লিবা মীখল অসিগা মরী লৈননবা কমেপ্লেট খুদিংমক সী ভিজিল মোবাইল এপ অমা দাওনলোট তৌদুনা থাংগৎপা য়াই। লোক সভা মীখল ২০১৯ অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা পুন্না ভোটর ১,৫৫,৩৭৫না ভোট থাদনগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# য়ুগা কোন্নন মীওই অনী ফারে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস): থৌবাল পুলিসকী টিম অমনা ঙসি নুমিদাং পুং ৭ রোম তাবদা কাইরেম্বীখোম মমাঙ লৈকাইদা দ্রাইভ চথবদা মীওই অনী য়ুঙৌ লিটর ২৩০ গা কোন্নন ফরে।

পুলিসনা য়ুগা কোন্নন ফারবা মীওই অনী অদুদি কাইরেম্বীখোক মমাং লৈকাইদগী হিজম শ্যামকুমার (৪৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা ওমোর অমদি লৈকাই অসিমক্তগী নোংথোম্বম শান্তি মপুরোইবা মনিনি। মখোয় অনীদগী পুন্না য়ুঙৌ লিটর ২৩০ গা কোন্নন ফারে। লোয়নন মখোয়দগী ফারবা য়ুশিং অদু য়াওনা এক্সাইজ দিপার্টমেন্টতা খৎশিন্নখ্রে।

# লাম্মৈ চাকপদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুংদা তেংবাং পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস): ইখঙ খঙহৌদনা লাম্মৈ চাকপদা লৈখিদ্রবা মচিন মৌপ্বা অনীগী ইমুং মনুংদা ঙসি পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইনিদয়া মণিপুর ষ্টেটনা শেলগী তেংবাং পীখ্রে। লিলোং উশোইপোকপী থারাওরোক্তা লৈবা লৈখিদ্রবা এম দি ইমদিয়াস খান (১৫) অমসুং মহাক্কী হেক মচলনুপী মোমিনা (১০) অপোকপা এম দি অব্দুর রশিৎ এলিয়স থোইবীগী য়ুমদা ঙসি পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেটকী থৌমীশিংনা চত্তুনা শেলগী তেংবাং অদু শীন্নখিবনি। পি এফ আই মণিপুরগী প্রসিদেন্ট মৌলানা রহমননা তেংবাং অদু শীন্নখি।



HL-P/3313/24/1-23/3(Alt.)



HL-B/5147/25/1-25/2

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৩।০৩।২০১৯ ইং, য়ুমশকৈশা, লমতাগী ৭ নি পানবা।

**মেষ:** লৌথোক-চাথোকনিংবা য়াম্মী-খুৎচাও থাগনু অমদি মী য়াম্না লোইনগনু। লেংদবা লন লেপশিনবা ঙম্বা অমদি নচা-ননাই চাওখৎপা, পাইরক্কী লৌশিংনা কান্নবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী-নুংশিবনা লুনা তৌবিগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

**বৃষ:** হরাওবা-নুংঙাইবা, মীচং লৈবা অমদি শাগৈ/নক্লবনা চানবীবা নুমিৎনি। শেল অমদি মীংচৎসু ফংগনি। অশাওবনা মরম ওইদুনা মরম চাদনা চাদিং তৌগনি অমদি কাইনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী-নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা।

**মিথুন:** য়েৎনবা য়াবা মরমশিংদগী লৈথোকপনা অশিংবা ওইগনি, মী লোইনবা থবকশিংদি মায় পাক্কনি। অরং-অরাক লেপশিনবা য়াই। লৌশিং ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী-অহৈ-অপা শাগনু-কান্ননি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কর্কট:** নীংবা থুংগনি, হকচাং নুংঙাইবা, আশা চাওবনা হেন্না মাই পাক্কদবা লৈ। মীতোপ লোইননু অমদি মীৱা লৌগনু। মরুপ-মপাংনা য়ানবা চৎলু, শেল পনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী-ৱারৌনবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা/চেঙ।

**সিংহ:** থবক পাংগনি, নথক থোংবনা ঙসিসু চানগনি অমদি নুংশিবা মরুপ ফংগনি। হকচাংগীদি খরা পোত্থাবা অমদি অঙম তান্না থবক পায়দবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী-ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা।

**কন্যা:** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা অমদি ললোন ইতিক্তসু খ্বাইদগী হেন্না শেন্দোং ফংগদবা নুমিৎনি। চিন শোইবনা ইকায়বা নংবা য়াবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস।

**তুলা:** থিজনবা কনবগী অফবা মহয় ফংবা য়াবা লৈ অমদি অফা-অপুন্নবা কোকচগনি। মরুপ অমদি ননাই চাওখৎকনি। লৌশিংনা লন তানশিনগনি। লম চৎপদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- অরানবনা মায় পাক্কনি খনগনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক:** ঙসিসু লাইবক ফবা অমদি নীংবা মপা চাবা লৈগনি। মীয়ামগী মতেং লৌবা য়াগনি। খরদি নোল্লুক্লা চৎলু নৎত্রদি শাওনবা লৈগনি/অঙম্বগা মুক্লনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা।

**ধনু:** ললোন-ইতিক কান্নগনি, অফবা থবক পাংবা য়াগনি, অরং-অরাক ফংবা য়াবা অমদি মরুপ ফংবা লৈগনি। অশাওবদি অঙাওবনি হায়দুনি-ফিংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফরনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা।

**মকর:** নঙগী ওইবা মীশিং লোয়নবা হোৎনৌ-মদুনা হৈ-শিংনা শেল-থুম তানবা ঙমগনি। ৱানোম-থৌনোম কান্নগনি অমদি ইমুংগী ৱা তাবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী-য়েৎনবনা মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

**কুম্বা:** অরাপ্পা মীগা লোয়নন পাংবা থবকশিং মায় পাক্কনি অমদি অনৌবা মরুপ্তগী কান্নবা ফংগনি। লুনা থমজবা লন কাইগনু। মীয়াম্না য়ানবা চৎপা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবগী পূক্লিং খঙবীয়ু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

**মিন:** য়েক্লবনা মাঙ-তাক্লবা হোৎনৈ অদুনা অঙম তানগনু অমদি তঙাইফদনা তপথনা চৎপা ফগনি। অদুবু নঙগী ওইবা মীগী পাউতাক লৌরদি কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী-মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।